**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI MORNING NEWS SCRIPT AT 7.30 AM**
**(DATE 18-10-2025)**

**পেপর(এল)ঃ** মনিপুরদা ফোংবা পাউ-চে অয়াম্বা ঙসি ফোংনদ্রে।

ওল মনিপুর ৱার্কিং জর্নেলিষ্ট য়ুনিয়ন (অমজ) অমদি এদিটরস গীল্ড মনিপুর (ই.জি.এম) না ঙরাং নুংথিল খুদক্কী ওইবা অখন্নবা মীফম অমা পাঙথোক্তুনা পাউচেশিং ফোংদনবা অমদি ইলেক্ট্রোনিক মেদিয়াশিংদসু পাউ শন্দোকপা লেপবা ৱারেপ লৌখিবনি হায়রি।

ঙসি অমজ অমদি ই.জি.এমগী ওইবা জোইন্ট ইমর্জেন্সি জেনরোল বোদি মীতিং অমা ঙসি অয়ুক পুং ১১ তাবা মতমদা ইম্ফালগী মনিপুর প্রেস ক্লবতা পাঙথোক্কনি।

**পুলিস(এল)ঃ** ১৩৩ শুবা মনিপুর পুলিসকী রাইজিং ডেগা মরী লৈননা ঙসি কিলোমিটর ১৬ কী ওইবা লমজেল অমদি কিলোমিটর ৫ গী ওইবা ফন্দ রন পাঙথোকখ্রে।

কিলোমিটর ১৬ কী ওইবা লমজেল অদু কংলাগী নোংচুপ থংবা থোংদগী লমথাখি। লমজেল ইম্ফাল ইয়ারপোর্ট মনাক্তা লৈবা টেরিটোরিয়েল আর্মি কেম্প ফাওবা চেন্দুনা মফম অদুদগী লমথাফম ওইরিবা কংলাগী নোংচুপ থংবা থোংদা অমুক হল্লকখি।

কিলোমিটর ৫ গী ওইবা ফন্দরন অদুনা কংলাগী নোংচুপ থংবা থোংদগী লমথাখি। লোয়ননা হোদাম লৈরক মচিন য়ৌরবা মতুংদা লমথাফমদা অমুক হল্লকখি। লমজেল অসিদা মনিপুর পুলিসকী পার্সোনেলশিং অসিনা তোঙান তোঙানবা মফম কয়াদগী লাকপা মশিং য়াম্লবা নুপা অমসুং নুপী লমজেল্লোইশিং শরুক য়াখি।

**কর্ম্মচারি(এল)ঃ** রাজ্য সরকারগী কর্ম্মচারিশিং অমদি পেন্সনরশিংগীদমক চাদা ৩ দিয়ারনেস এল্লাউয়েন্স অমদি দিয়ারনেস রিলিফ পীনবা গভনর ইন কাউন্সিলনা অয়াবা পীখ্রে।

রাজ্যপাল-অজয় কুমার ভালানা সভাপতি ওইদুনা ঙরাং পাঙথোকখিবা গভনর ইন কাউন্সিলগী মীফমদা দিয়ারনেস এল্লাউয়েন্স অমদি দিয়ারনেস রিলিফকী অহেনবা চাদা ৩ গী শেনফম অদু থাদোকবা অয়াবা পীখি। চৎলিবা থা অসিগী হৌখিবা তাং অমদগী চৎনবা হৌরবা দি.এ. অমদি দি.আর. অসি রাজ্য সরকারগী কর্ম্মচারি লিশিং ৭৬ অমদি পেন্সনর লিশিং ৬০ দা খুদোংচাবা ফংহল্লগনি।

**এময়ু(এল)ঃ** য়ুথ এফিয়ার্স অমসুং স্পোর্টস মন্ত্রালয়গী মীৎয়েং মখাদা মনিপুর য়ুনিভরসিতিগী ফিট ইন্দিয়া কেম্পেইন কমিতিনা ফিট ইন্দিয়া ক্লব অমদি এন.এস.এস. সেলগা খুৎশমদুনা ফিট ইন্দিয়া ফ্রিদম রন সিক্স পোইন্ট জিরো ঙসিদগী হৌদোকখ্রে।

**এময়ু(এল)ঃ** মনিপুর য়ুনিভরসিতি ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়ন (মশু) গী ইগজিক্যুটিব কমিতিগী ঙরাং পাঙথোকখিবা মীফমনা য়ুনিভরসিতি কেম্পস মনুংদা মহৈ মশিং তম্বদা অকায়বা থোকহন্দনবা পুন্না হোৎনমীন্নবা ৱারেপ লৌখ্রে।

য়ুনিয়ন অসিনা থোকপা চেরোল অমনা হায়-মহৈরোইশিংগী খুদোংচাদবা থোকপা মতমদা মুশুনা পুকচেল শেংনা অমসুং দায়ত্ব খঙনা থবক পায়খৎনবসু ৱারেপ লৌখি।

**মোদি ঃ** প্রধান মন্ত্রি-নরেন্দ্র মোদিনা হায়রি-ভারত অসি মালেমগী লৈবাকশিংনা হৌজিক থাজবা য়াবা, দায়ত্ব খঙবা অমসুং মপাঙ্গল কনবা লৈবাক অমা ওইনা শকখঙলে।

ন্যু দিল্লিদা লন্নাই মেদিয়া হাউস অমনা শিনদুনা পাঙথোকপা ৱার্ল্ড সমিটতা শ্রী মোদিনা হায়-ইলেক্ট্রোনিক্স, ফারমাসিয়ুটিকেল, ওটোমোবাইল অমসুং মোবাইল মেন্যুফেকচরিংগী লমদা লৈবাক কয়াদগী লেপ্তুনা ভারত্তা শেল থাদরক্লি। মসিনা লৈবাক অসি গ্লোবেল সপ্লাই চেনগী মরুওইবা মফম অমা ওইহনবদা মতেং পাংলি।

মহাকা হায়-লৈবাক অসিগী হৌজিক ওইরিবা ফিভম অসিনা মালেমদা তোঙান তোঙানবা খুদোংচাবা কয়া পীবা ঙমলে।

শ্রী মোদিনা হায়-মালেমগী তোঙান তোঙানবা লৈবাকশিংদা খুদোংচাদবা কয়া মায়োকরবসু লৈবাক অসিগী লেপ্পা লৈতনা মাংলোমদা চংশিল্লি। মহাকা হায়-মতম খরগী মমাংদা ভারত অসি শেল থুমগী লমদা খ্বাইদগী শোথবা লৈবাক মঙাগী মনুং চল্লম্বা অদু হৌজিক্তি মালেমগী খ্বাইদগী চাউখৎপা লৈবাক মঙাগী মনুং চনবা ঙমলে।

**বিএসএনএল** ঃ ভারত সনচার নিগম লিমিটেদ (বি.এস.এন.এল) না লাক্লিবা দিৱালি কুম্হৈগী য়েংলগা লৈবাক শিনবা থুংবদা অনৌবা কষ্টমরশিংদা লুপা অমা পীবা ফোর জি প্লান হৌদোকখ্রে।

থা অসিগী ১৫ দগী মথং থাগী ১৫ ফাওবগী মনুংদা লৌবা য়াবা প্লান অসিনা থা অমা অনলিমিটেদ কোল, নোংমদা টু জি.বি. দাটা অমসুং নোংমদা এস.এম.এস. ১০০ থাবা য়াওনা লেমা মোবাইল সার্ভিসশিং ফংহল্লি। ৱাফম অসি লাউথোক্লদুনা বি.এস.এন.এলগী চেয়ারমেন অমসুং মেনেজিং দাইরেক্তর-এ. রোবার্ট জে. রবিনা হায়-কুম্হৈ অসিগী য়েংদুনা তোঙান তোঙানবা কস্তমরশিংগী অনৌবা প্লান মঙাসু বি.এস.এন.এলনা হৌদোক্লে।

**সাইবর** ঃ লুপা কোতি ৫৮ চেন্নবা দিজিটেল এরেষ্ট স্কামগা মরী লৈননা মহারাস্ত্র পুলিসনা মীওই তরেৎ ফারে।

সাইভর ক্রাইম থিজিনবগী ষ্টেট নোদেল এজেন্সি ওইরিবা মহারাস্ত্র সাইভরনা হায়-থৌদোক অদুদা মপুং ওইনা চেন্নবশিংনা মীয়ামদগী লান্না খোমগৎলকপা শেলশিং ফংনবা শাশিন্নবা বেঙ্ক একাউন্ট লিশিং ৬,৫০০ রোম হাংখি। হায়রিবা একাউন্টশিং অসি শাশিন্নবা কম্পানিশিংগী মিংদা হাংলম্বনি। থৌদোক অসিগী মতাংদা মুম্বাইদগী চহি ৭২ শুরবা করবারৱালা অমনা মহারাস্ত্র সাইবরদা ৱাকৎলকপদগী থিজিনবা হৌরকপনি। দিজিটেল এরেষ্ট হায়রিবা অনৌবা সাইভর ক্রাইম অসিদা লো ইনফোর্সমেন্ট ওফিসার নৎত্রগা সরকারগী কর্ম্মচারি শাশিন্নদুনা মীয়ামদা ওদিও অমসুং ভিদিও কোল তৌরগা কিহন্দুনা নমদুনা শেল লৌথোকই। মুম্বাইগী করবারৱালা অসিদগী ভিদিও কোল তৌদুনা শাশিন্নবা কোর্টকী প্রোসিদিং অমসুং পুলিস ইনভেষ্টিগেসন পাঙথোক্লবা তুংদা নুমিৎ ৪০ নিগী মনুংদা লুপা কোতি ৫৮ লাখ ১৩ নমদুনা ত্রান্সফর তৌহনখি হায়রি।

**বিহারঃ** বিহার বিধান সভা মীখলগী অহানবা তাঙ্কক্কী মীরেপ চেশিংগী স্ক্রুতিনি ঙসি তৌরগনি। মথং থাগী তরুক্তা পাঙথোক্কদৌরিবা  অহানবা তাঙ্কক্কী মীখল অসিগীদমক মীরেপ মীরেপ চে পীশিনখিবগ অরোইবা নুমিৎ ওইখি।

তাঙ্কক অসিদা বিধান সভা কেন্দ্র ১২১ দা ভোট থাদনগনি। তাঙ্কক অসিদা রাজ্য অসিগী পাটনা, দরভঙ্গা, মুজাফরপুর, গোপালগঞ্জ অমদি ভোজপুর জিলাশিংগী মনুং চনবা বিধান সভা কেন্দ্রশিং য়াওরি।

মীরেপ চে লৌথোকপগী অরোইবা নুমিৎ থা অসিগী ২০ দনি। বিহার বিধান সভাগী অনিশুবা তাঙ্কক্কী নবেম্বর ১১ দা পাঙথোক্কনি অমসুং ভোট মশিং পুন্না নবেম্বর ১৪ দা থিগনি।

## ---নিউজ পেপর হেদলাইন্স---

ঙসি ইম্ফালদা ফোংবা পাউ-চেশিং ফোংনখিদ্রে। অদুম্মকপু, সেনাপতিদা ফোংবা হিলস হোর্ন বিল এক্সপ্রেস হায়রিবা পাউচে অসিদি মহৌশাগুম ফোংবা থেংনরে।

পাউচে অসিগী অহানবা হেদলাইন অসি নাগা ৱিমেন য়ুনিয়ন অমদি মনিপুর ষ্টেট কম্মিসন ফোর ৱিমেননা শিনদুনা নুপীশিংগী ওইবা সোফ স্কিলগী ৱার্কশোপ অমা পাঙথোকখ্রে হায়বা হেদলাইন অসিনি।

অনিশুবা হেদলাইনদা-মুইভানা মহাক্কী পোকফম লমদমদা লাক্কদৌরিবা অসিদা মীয়াম অমত্তা ওইনা শৌগৎমীন্নসি হায়না এন.এস.সি.এন (আই.এম) গী কে.টি.য়ুনা আপিল তৌরি হায়বা হেদলাহন অসিনি।

এসেমব্লি দিজোল্ব তৌ হায়বা কংগ্রেসকী ৱাফমবু বি.জে.পিনা য়ানিংদবা ফোংদোকখিবগা লোয়ননা তংদু লৈতাবা হনজিলহন্নবা হীরমদা মীৎয়েং থম্মু হায়না বি.জে.পিগী মায়কৈদগী থল্লকপা ৱাফম অসিসু পাউচে অসিগী মরুওইবা পাউ অমা ওইনা ফোংবা থেংনরে।

ইম্ফালদা লৈরিবা ওইল পম্পশিং রোটেসন নাইনা পুং ২৪ থাউ ফংহন্নবা খঙহনখ্রে হায়বা পাউ অসিসু হিলস হোর্ন বিল এক্সপ্রেসকী অহানবা লামাইদা ফোংলি।

এন.দি.পি.পি. অমদি এন.পি.এফ. অনি চুংশিন্নবা য়াবগী ফিভম লাকপনা নাগালেন্দদা ওপোজিসন লৈতবা সরকার অমুক হন্না লাকপা য়াবগী ওইথোকপা লৈরে হায়বা পাউ অসিসু মরুওইবা পাউ ওইনা ফোংবা থেংনরে।